HUEIYEN LANPAO

# হিগোক থোকঅবা

## থাজদবা হৌবদা পূন্সি চূপ্পগী থাজদে

লান্না লৌগনু। মণিপুরগী মীহুৎশিংনা ষ্টেটসিদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা শেম্বদা মবুক য়েকপমখে শাউনীংগদবা, শেমহন্নীংলোইদবা অমসুং পামদবা মীওই লৈরম্বা হৌনদে। অরেবা পাঙ্গল থৌনা পুথোক্লগা মথৌ তাবনি হায়বা করি-করিনোগা থাদরগা মীখল থেংনদুনা মীহুৎ ওইরকখ্রিবশিংসিবু লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬কী প্রোভিজনশিংনা এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা ময়াগা লোইনা শৎতোকপদগী হেন্দোরক্তুনা মরূ-ময়াঙ পূম্নমক কেমহল্লগা আই সী য়ুদা 'ক্লিনিকেল্লি দেদ' ওইদ্রি হায়বসিদং থোক্লা লৈরক্লিবা ফীভমসিদা লৈননবদি ওইরম্লোই। মণিপুরগী ওইনা য়েংবদা বৃটিশনা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা ষ্টেটসি থাদোক্তুনা চৎখিবা, মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুশন এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা মীখল পাঙথোক্লগা এসেমব্লি লিংখিবা, সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা 'মর্জর এগ্রীমেন্ট' খূৎয়েক পীনরগা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরকখিবদগীনা 'য়ুনিয়ন টেরিটরি' ওইরিঙৈ ফাওবগী পোলিটিকেলগী য়ামখ্রবা তাঙ্ককশিংদুসু লোইনা কোৎথোক্লগুমসি। য়াম্না শাংলনি। অদুবু জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগীদি লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনসিগী মখাদা কন্সটিট্যুশননা পীবা অয়াবগী মতুংইন্না মীখলদা মায় পাক্লকপা মীহুৎশিংনা মীয়ামগী লৈঙাকশিং মথং-মথং লিংলকখ্রিবনি। হৌজিক ময়া য়াওদ্রবা কৈদৌনা 'শ্বর' থবেৎ-থবেৎ হোল্লগা চরাম-চদৎননা লৈরিবা মীহুৎশিংসি ফাওবদা এসেমব্লি লিংলকপা ১২রক শুরক্লবনি। মমাঙদসু মীহুৎশিংনা লিংবা লৈঙাক কয়ারক লৈখি। হৌজিক কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬না য়াচল ক্রক-ক্রক লাক্লক্লিবা মীহুৎশিংসিনসু মীয়ামগী লৈঙাক লিংলম্মীনা!! হৌজিকসু অনৌবা লৈঙাক অমা লিংলকপদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলম 'মেজোরিটি' হায়বদুসু খোঙফম চেৎনা লৈরিবনিনা লৈঙাক শেম্লকপা য়ারি। শেম্ফম থোকই। শেমহল্লকফমসু থোকই। মম্বাইদা মীয়াম মরক্তগী মীওই অম-নিনা, খরনা নৎত্রগা খুল হুপ্তুনা লৈঙাক শেম্বা য়ারোই হায়দুনা চোংথোরক্তুনা অনৌবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ফৈগাক ফৈনা লেপ্লক্কদবা য়াওদে। হায়বদি হঞ্জিন্দুনা লৈঙাক শেমহল্লক্লরোই অমসুং 'শ্বর' শৎলক্লিবা এসেমব্লিসি পুম্মুৎ মুখৎলনিগা হায়রকপদা মপা কনানা মোদোলৈ চিনগদৌরিবনো হায়বনিদা!!

অদুবু জুলাই ২১, ২০২৫দগী হৌরগদবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক হায়বদি বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা এন দি এ লৈঙাক্লা মণিপুরদা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চৎনহল্লক্লিবা 'প্রসিদেন্টস রুল' গী লৈঙাকসিগী মতম অতোপ্পা থা ৬ অমসু শাংদোকহন্নবগীদমক অয়াবা লৌনবা মফি শেমখ্রে। থৌরাংসিগী পাউ নেশনল মীদিয়াগী এজেন্সী পূম্নমক্লা ফোঙদোক্লরকপদগী সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদসু ভাইরেল ওইরকখ্রে। অনৌবা লৈঙাক শেম্লনি অমসুং শেমহনবীরক্লগনি হায়দুনা মিৎকুপ খুদিং লাই শোনবদৌনা শোল্লক্লিবশিংসিনা লৈঙাক পায়নীংবগী পোক্লিবা অরাম-খৌরাংবসি য়েংলগদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা পি আর শাংদোকহন্নবা শেম্লক্লিবা মফিসি ফৈজে চৎতুনা ফৈজোম থোকপা ওইরসনু। অদুবু শেম্লনি অমসুং শেমহনবিরক্লগনি হায়দুনা ইন্সোন কাংদনা হায়খিবা, পি আরসি শাংদোকহন্নবা হোৎনরগনি হায়বগী পাউনা জুলাই ১৫, ২০২৫দা মণিপুর য়ৌশিল্লক্ত্রিঙৈগী হেক থংনবা মমাঙগী নুমিৎ জুলাই ১৪, ২০২৫দা ফাওবা মীহুৎ অমনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমসিগী মমাঙদা শেমহল্লক্লগনি হায়দুনগা ফোঙদোকখ্রিবদুবু করম্বা প্লানেটতগী করি মতেংনা লৌবা পাউ মওইরমগবা? খাগা-ৱাংগা মমৈ-মকোক থোক ওন্থোকপা পাউদুবু কদাইদগীনো হায়বনিদা!! লৈঙাক পায়রম্বা হৌজিক্লা ফিদা হৌগৎপীখিবদগী শেম্লনি অমসুং শেমহনবীরক্লনি হায়দুনা চোইরোল লোল্লিবশিংসিবু মীয়াম্না মখা তানা থাজখিদ্রা? লান হৌরকপা, কনশিল্লকপা মতমদসু সেন্টরগী লুচিংবশিংগা পুং ২৪ পাউ ফাওনরি, সেন্টরনা কূপ্লা য়েংশিল্লি হায়রম্লগা ফেব্রুৱারী ৮, ২০২৫দা পাউ ফাওনদুনা কৌরক্লগা মথংগী নুমিৎতা সম্বিট পাত্রনা চপ্তুনা হনহল্লক্লগা ফম থাদোকহনখিবদুসু মতমদু ফাওবা লেপ্তনা পাউ ফাওনখিবগী ওইগদৌরিব্রা? ষ্টেটসি হৌজিক করম্বা ফীভমদা লৈরি, করি করি ইস্যু মায়োক্লরি, লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা কনানা কৈদৌগদগে, হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং গভর্ণরনা লুচিংবা পি আর লৈঙাক্লা করি-করম্বা থবকশিং পায়খৎলি হায়বনচিংবগদি করিমত্তা খঙদ-উদনা পামজরিনি, ওইজনীংলিনি হায়দুনা নুপা লৈত্রিঙৈদা খৎখ্রবী লৈশাবীনা লুহোংলনেনা ফন-ফন চোংবদৌনা চোংলিজাৎলা? লুচিংবা ওইরম্বা অমনসু মখোয়গী মীওই খরা পুনবা থৌরম অমদসু শকফমগা হঞ্জিল্লগা 'হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী গ্রাউন্দ সিচ্যুএশনসিদদি অথুবা মতমদা লৈঙাক অমা লৈহল্লক্লগনি থাজে' হায়না ফাওবা ফোঙদোকখি। ৱাফমশিংসিবু কদাইদগী মতৌ করম্না করম্বা য়ূম্ফমদা লেপ্লগা হায়রক্লিবনো হায়বনিদা? মীয়ামগী মীহুৎকি ৱাংলবা চৌক্রিদা কাখৎতুনা ফম্লক্লবদি মীয়ামগী ইহুল, সেন্টরগী লুচিংবশিংগী মশক অমসুং মবুকচেল ষ্টেটসিগী ফীভম, মীয়ামগী য়াকা কায়দুবু খঙফম থোক্তব্রা হায়বনি। হোয়নে, মীহুৎ ওইদ্রিঙৈদা সপ্লায়র, কন্ট্রেক্টর ওইরমগেরা, সিফাই ওইরমগেরা ওইনীংবা ওইজ খ্রসনু হিংনবগী লানফমদা থৌনা ফবা লান্মীশিং ওইনরকপনি খন্দোক্লসিনে। হান্না অদু ওইরম্মী, অদা ওইরম্মী হায়বদুসু পোপথোক্লুদনা হৌজিকপু কৈকান্দগে? রত্নাকর ফাওবা বাল্মিকি ওইরকখ্রিবনি। ওইনীংবা ওইরকসনু অদুবু মীহুৎ ওইরক্লবদি অঙাংদা 'গুণ' ৯ হাপচিল্লি হায়নরিবা 'ন-গুণ' না য়োমশিনবীবদৌনা মপূং ফাবা মীহুৎ অমমম ওইনবা হোৎনরকপা য়াদব্রা? শেম্লনি অমসুং শেমহল্লক্লনি হায়রিঙৈদা পি আর শাংদোক্নবা মফি ওইনা শেম্লে হায়রক্লিবসিদি হিগোক থোক্ত্রিবা? খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাই হায়বদুগী ফীভমদু তারক্লোইদৌরিব্রা হায়বনি। রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলসিনা হায় স্কুল ওইরিঙৈদা স্কুলসিগী ওজা অমনা ক্লাসতা 'বাখ্য' তৌদুনা তাকখিবা শৈরেং অমা নীংশিংলকই - 'অরানবা অমা ঙাঙবদা ওইদবা ১০০ লেংশিল্লি' হায়ব্রা 'অরানবগা' 'ওইদবগসি' মথং মনাও চুল্লিব্রা, ওন্নরিরা কাউরে। 'থাজদবা হৌবদা মপোক্তুমা থাজদে' হায়নসু তাথরকখিবনি। মসিমক্তি থোকহন্নীংদে, মখোয়সিবু কম্মাই তৌসিগে?

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৯৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মৈদিংঙু শেলবী খাগেমবা। চৌফা হোঙদৈ ফাবা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু শেলবী খাগেমবা। লাইরেল সনা খূৎশু খূৎপায়না লালদাখিবদি। অসিনসু লোইবা লৈখিদে। শেনবী কবো লৈকাই খুলদাবনা। কবো তমপাক লৈকাই শেনদবনা। চকপা অংগো চীং। ঈচেন ঈহৌ নিংথৌ নিংথী তুরেল। ঈচাও ঈচেললমদা। হুয়েল লালদা খৌশাবনে। নিংথী ও। ●


## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯹꯷)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯈꯥꯒꯦꯝꯕꯥ꯫ ꯆꯧꯐꯥ ꯍꯣꯡꯗꯩ ꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯈꯥꯒꯦꯝꯕꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯁꯦꯅꯕꯤ ꯀꯕꯣ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯈꯨꯂꯗꯥꯕꯅꯥ꯫ ꯀꯕꯣ ꯇꯝꯄꯥꯛ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯁꯦꯟꯗꯕꯅꯥ꯫ ꯆꯛꯄꯥ ꯑꯉꯣꯝ ꯆꯤꯡ꯫ ꯏꯆꯦꯟ ꯏꯍꯧ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯅꯤꯡꯊꯤ ꯇꯨꯔꯦꯜ꯫ ꯏꯆꯥꯎ ꯏꯆꯦꯜꯂꯝꯗꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯅꯦ꯫ ꯅꯤꯡꯊꯤ ꯑꯣ꯫ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২২৮ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মতম অমা শুমাং লীলানা মমায় থাঙ্গৎতুনা য়াম্না মতিং লৈনা লীলা তৌনরম্বা মতম অদুদা মী পূম্নমক্লা য়াম্না য়াবীখি। য়াম্না নুংশিবীখি। কুমজা ১৯৭০গী মতম, মতুংদগী খরা লৈথরক্লবা মতমদুদা মণিপুরগী শুমাং লীলানা শাহৌ ফরম্বসিদি হায়দনা কান্নদে। মদুসু ঐনা খঞ্জবদা মদুগী মমাঙদা লৈরম্বা অহল-লমনশিং অদুনা য়াম্না পুকচেল শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বা, মীয়ামগী পূক্নিং খোন্না লীলা কয়া পুথোকপীরম্বা, ইচম চমজবা, লীলা কৌবদসু, য়েংবদসু শুংৱা ৱাহন্দনা য়াম্না নুংঙাইনা লীলা য়েংহনখিবা। য়েংখিবা লীলা অদুগী চপ চাবা মহাও অদু শুমাং লীলানা মীপূম খুদিং থুংনা চপ মান্ননা পীবা ঙমখিবা অদুনা ওইগনি হায়না খল্লি। অদুগুম্বা মতমদুগী অহল-লমনশিং অদুগী লমন মরোল-মরোল নাইনা তোনশিন্দুনা লৈরিবনি। অদুগুম্বা অহলশিং অদুনা কুমজা ১৯৭০-৮০ য়ৌরকপদা লৈখিবা শুমাং লীলাগী ফীভম অদু শেল্লম্বনি। অদুদগী অমুক কুমজা ১৯৮০গী মতমদা লৈরম্বশিং অদুনা অমুক কুমজা ১৯৯০-২০০০গী মতমগী লীলাদু মপোপ কায়দনা পুথোকখিবনি। অসুম্না মৈনা ৱাই তাংনা শম পুথোকপনা ঙসিসু শুমাং লীলাগী খোঙচৎ লেপ্পা লৈত্রি। তৌবতবু হৌজিক্তি ৱাহং খরা থোরক্লি। করিগীনো শুমাং লীলানা মশা চনবা মফম মচা অমদগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রিবা, হান্নদগী চাউনা চাউনা মফম কল্লম্বা অদু ঙসিদি শুমাং লীলাগী সাইজ অসি অসুক্কী মতিক পীকশিল্লক্লে। মসিগী ৱাফম অসিমা তোঙান্না খন্নবা অমা মথৌ তাই। মসিদি অরুবা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফম য়াওগনি। ইরায় লায়না ৱাহং হংবসু লানগনি, ইরায় লায়না পাউখুম পীবসু চুল্লোই।

কুমজা ১৯৮০-১৯৯০ ফাওবগী মনুংদা লৈরম্বা শুমাং লীলাগী ফীভম অদুগা চুশিন্ননা ঙসিগী ওইনা নীংশিং থোঙনাও অসি হাংজগে। মতম অদু শুমাং লীলাগীসু মায়ওন অমা তল্লকপা হান্না লৈরম্বা মশক্তগী অনৌবা মশক অমা হোংলকপা মতম ওইখি। হান্না লৈরম্বা লীলা মখল অদুবুনা দাইলোগ লীলা হায়না খঙনখ্রে, মতমদুদা নহাশিংগী মায়কৈদগী অনৌবা থোরক্লিবা লীলা মখল অদুবুনা ঈশৈ লীলা হায়না খঙনখ্রে। করম্না মসিগী মিঙ্গৌ অসি থোনখ্রিবনো হায়বগী মতাংদদি ঐগী মমাঙগী ৱারেংশিংদসু মরাং কায়না হায়জখ্রবনা শমজিঞ্জরে। ইশম-শম্না ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট, ঈশৈ (প্লেবেক সিঙ্গর য়াওবা) বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক শীজিন্নরগা লীলা তৌরকপা অদুবুনা ঈশৈ লীলা হায়না খঙনখ্রে। অহানবদদি ঈশৈ লীলা অসি মতমদুগী অহল-লমনশিং মরু ওইনা স্কোলরশিংনা ওন্থোক্লা য়াখিদ্রপোৎনি। সিবু লীলানি হায়না কমাইনা হায়দুইনো হায়না কন্না-কন্না মরৈ য়েৎখ্রবজাৎনি। মরৈদু য়েৎনা য়েৎনা ঈশৈ লীলাগী শকওংদি নোংম-নোংমগী চাউদম ফরকখি। হেন্নদুম মসা-মরেং শন্দোরকখি। অদুগা হান্না লৈরম্বা দাইলোগ লীলা হায়বা অদুদা য়াওরম্বা আর্টিষ্টশিংসু অনৌবা লীলা অদুদা অয়াম্বা য়াওশিন্নরকখি। অদুগা হান্না লৈরম্বা দাইলোগ লীলাগী গ্রুপশিং ঈশৈ লীলা ওন্থোক্নরকই। অহল-লমন খরদি মদুদা য়ানীংদ্রবসু মতম্না পুরকপা অহোংবা অদুদা কৈসু খূৎ থাবা ঙমদনা তূমিন য়েংদুনা লৈবা তাখি। মসিনি মতমদুগী শুমাং লীলাগী মশক।

অদুগুম্বা অহোংবা কয়াগী মরক অদুদা থোকখিবা লীলাগী কাঙবু খুদিংমক্লা মতমগা চুনবা মখল মথেল কয়াগী লীলা কয়া শান্নবা হৌরকখি। ইশম শম্না ইহান হানবদা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবসি আর্মিশিংগী অহেনবা মতৌ অদু উৎপনি। চীংগী লম অয়াম্বদা আর্মিনা গেঙ রেপ তৌদুনা মপূন্সি মাঙহনবীখিবা চনু রোজগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা মদুগা মান্ননা শাগৎপা ৱারী কয়া উৎতুনা মীয়ামগী পক্লিং চিংশিনবা হৌরকখি। ইমুং-মনুংগী ইচম-চম্বা লীলা উৎনরম্বদগী অসিগুম্বা মখলগী লীলা অদুনা অয়েংবশিংদা পূক্লিং মথুম-মরাং হৌহনখি। ৱারী ওইনা তারম্বসু লীলাদা ওইনা উৎলক্লিবা শাগৎ ৱারী অদুদা পূক্লিং লুপখিদুনা ৱাখলদা মরাং-মরাংবা ঈ শাগৎহনবা ঙম্বা ৱাখলগী ময়োল চোংহনবা ঙমখি। মতম অদুদনি শুমাং লীলা অমদি থিএটরদা অদুগুম্বা কা হেনবা মখলগী অমদি মীয়ামদা ৱাখল মরোং মরোংদনবা ওইনা লীলা থিংবা হৌরকখি। থিংবতা নত্তনা ফাবা পুনবসি হৌরকখি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা লীলা ইবা চানা লুখোইগী 'ঈগী নোং' হায়বা লীলাদু ইরুবগীদমক আর্মিনা ফাদুনা চৈরাক পীখিবগী ৱারী ঙসিসু ফোঙ ফোঙ শানা লৈরি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বদি কৈদৌনুংদা হনবা লৈখিদে। পামগনু, য়েংগনু হায়বা অদুতবু পামগনবা, য়েংগনবা হায়বসি মতমদুগী ৱা ঙাক নত্তনা হৌজিকসু মীওইবগী মরমচৎ অমা ওইনা লৈরি। অদুনা ফনা ফারবসু থিংলবসু লীলা পুথোকপদি লেপখিদে। আর্মিনা মী ফাবা লাকপদা জোরো শীজিন্নখি। জোরো হায়রিবসি লালহৌবা য়াওবা মী অমা ফারগা, অতোপ্পা লালহৌবা য়াওবশিংবু ফানবা মমায়-মমীৎ খুমজিল্লগা আর্মিনা কোয়পু পুরগা খুদোনবী থিলহন-থিলহল্লগা মী ফাবা অদুবুনি। করিগুম্বা জোরো অদুনা খুদোম্বী থিন্দদুনা আর্মিনা মী ফাদ্রবদি মাবু য়াম্না থীনা-থীনা ফূবীগদৌরিবনি। মী খরা লম্বীদা ফাদুনা পরেং লেংহল্লবদা গাড়ী মনুংদগী আর্মিনা ফূদেকপদা মশাফাওবা লেঙবা ঙমদ্রবা, চুম্না লেপ্পা ঙমদ্রবা জেরো অমা সোরো সোরো লাক্তুনা চিংথোরক্লগা, পরেং লেপ্পীবা মীশিংদু য়েংহল্লি। অদুগা খুদোনবী থিলহল্লি। মরাল লৈতবা মীবুসু মাবু আর্মিনা ফূবীদনবা অমদা হেক্তা খুদোম্বী থিনজিনবগী চৎনবী অমা কন্না লৈরম্মী। অদুনা মদুগী মতৌ অদু ৱারী ওইনা শাগৎতুনা 'জোরো নম্বর সভেন' হায়না থোনবা লীলা অমসু পুথোকখিবা থেংনখি। লীলাসিসু থিংখিবগী ৱারী শুমাং লীলাগী পুৱারীদা লৈরি। মসিদা নত্তনা অতৈ মখলগী লীলা কয়া অমসু লৈরি। ঐখোয়গী পার্টিসু মতমদুদা আর্মিগী কা হেনবা লীচৎ অদুদা য়ূম্ফম ওইবা চীংগী খুল অমদা থোকপা ৱারী অমা শাগৎতুনা লীলা অমা শান্নখি। অশেংবদি আর্মি শাবা, মখোয়গী এক্সননচিংবদি কৈসু য়াওখিদে। ইচম চম্না অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুনা মীচমগী ৱাখল্লোন্দা করি ওইহনখিবগে, খুন্নাইদুদা করি অওনবা অমা পুরকখিবগে হায়বগী মতাংদা শান্নখিবা লীলানি। মমিংনা 'শরাক তমখ্রবী' হায়না কৌখি। লীলাদু অদুক য়াম্না মায় পাক্লা চৎখিবা লীলা অমদি ওইখিদে অদুবু চৎনবা য়ানা লীলা মশীং খরদি মফম কয়াদা শান্নখি। লোইনমক মিং পন্দুনা নৈনরবদি ঐগী ঙসি লাকচগদৌরিবা ৱারীসি মাঙখিবা য়াই অদুনা মতাংসিদা তুবৎ নাতৈ শল্লগা, তমজনীংবা ৱারীরোমদা লাকচগে।

মতমদুদা লীলা শান্নবা চৎপা হায়বসি অরাইবা নত্তে। আর্মিশিংনা য়াম্না চ্যেক তৌই। য়াম্না তমথী-তমথীনা ওৎলি হায়বসিমা মমাঙগী ঐগী ইস্যুদা ফোঙজখ্রে। ঙসি মখা তাজগদৌরিবা অসিনা ঐখোয়গী পার্টিমক্তদা থেংনখিবা পাউদম অমখক্লি। ঐখোয়সু লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা য়েংদুনা নহারোলগী লীলা পুথোক্তুনা শান্নবা তৌরকই। মীৎয়েংদি খেন্নৈ, ঐখোয়গী পার্টিনা পুথোকখিবা 'লানপুঙগী পুঙখোল' হায়বদনা মণিপুরগী লৈরিবা সিচুএশন অদু একাদেমিকেল্লি য়েংনবা হোৎনবনি। কৈদৌবগী নহারোলশিংনা পেন্দবা থোরক্লিবনো? করিগী লান হৌরিবনো? লান হৌরিবদুগী পান্দম করিনো? মদুনা কদাই ফাওবা মায় পাক্কদগে অমদি করি পুরক্কদগে হায়বা অদু নৈনবনি। মদুদা ৱারী অমা শাগোন্নবগী ৱানি। য়াম্না এক্সন ওরিয়েন্টেদ ওইবা লীলামক্তি নত্তে। Purely academic discourse অমগুম্বা প্লে অমনি। মসি নত্তবা মখা তাবদা 'থৱায়না পূন্সিগীদমক' হায়বা প্লে অমসু ঐখোয়না শান্নখি। মদুনা অমুক এক্সন ওরিয়েন্টেদ ওইবা মখলগী প্লেনি। মতমদুদা নহারোলশিংগী অহেনবা এক্সন, পুলিস কম্মান্দোগী অহেনবা এক্সন, অদুগুম্বা এক্সন কয়া অদুনা মীচম মীয়ামদা করি ওইহনবগে, কয়ামুক য়াম্না পেন্নখিদবগে হায়বা অদোমদা হায়নীংলিবদু হায়বা য়ানবা লীলা ওইনা পুথোকপনি। লীলা অনীমক মায় পাকখি। লীলাদু শান্নবা মতমদা কনা কনানা করি-করি হায়খিবগে অমদি করি সজেশন পীখিবগে হায়বনচিংবা কয়াগী মতাংদা থমজনীংবনি। অদুবু ঙসিগী কোলম অসিদা ৱারীসি মপূং ফানা লীবা ওইথোক্লোইদৌরে অদুনা মথংগী ইস্যুদা মপূং ফানা পাউদমজরক্লগে। ●

# সি ফাওবদি ঐখোয়সু ঙম্ফম থোকইনা

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১২৮

ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নীদুনা চাবসি হাকমনখ্রে ঐখোয়সু। ইন্দিয়াদগী করম্বা হীরমদবু নীদবা য়াওরিগে। মরু ওইনা খ্বাইদগী ঐখোয়না ৱারিবসি চীঞ্জাকসিনি। মপান্দগী পোৎলম খুদিংমক পুশিল্লক্তুনা চাবগী ফীভমদা লৈরে ইরমদম মণিপুরগী ফীভমসি।

য়াম্না নুংঙাইত্রিবদি মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলম অমত্তনা ঐখোয়গী ইরমদমদা পুথোকপা চীঞ্জাকশিংদগী হেন্না হাওবসু নত্তে অদুগা হকচাংদা ফবসু নত্তে। তশেংবগীদি ঐখোয়গীদা পুথোকপা পোৎলমশিংনা মহাউ লৈবা, মতিক ময়াই লৈবা য়াম্না হেল্লিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি, ঐখোয়গী ইরমদমদা পুথোকচবা মতিক ময়াই লৈবা পোৎলমশিং অসি চাদুনা হকচাং ফনা লৈবগী মহুত্তা মপানলোমদগী পুশিল্লকপা মতিক ময়াই য়াওদবা পোৎলম ময়াম অমা পীজদুনা থল্লক্লি ঐখোয়বু চহী কয়া কয়া। হায়রিবা মপানগী পোৎলমশিং অসি ঐহাক্লা পীশক পীক্লিঙৈদগী অদুম চাবা হৌরক্লে, মরু ওইনা চেঙয়েল।



ঐখোয়গীদমক্তদি খ্বাইদগী মরু ওইবা চীঞ্জাকসি চাকনি। অসিগুম্বা খ্বাইদগী মরু ওইবা চীঞ্জাক অমা ওইরিবা চাকসি মতিক-ময়াই য়াওদ্রবা অহাম্বা চেঙয়েলনা মহুৎ শিন্দোকখিবা কুইরে, মরু ওইনা লৈত-লায়রা কয়াগী ইমুংদদি। লৈত-লায়রা কয়া অসিগী মনুংদা য়াওরি লমদমসিগী ফাওরবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া। চেঙয়েলসিগী মথক্তা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলম কয়া মতম শাংনা চারকপনা ঙসিদি ইরমদম মণিপুরগী মীওইশিংসি নাদববু য়াওদ্রে হায়বা য়ারে। মরু ওইনা দাইবেটিসনা নাবা, কিদনি ফেল ওইবা, কেন্সরনা নাবা, নুঙ লৈবা অমদি অতৈ লায়না কয়া মশীং থিঙমদনা লৈরে ইরমদমসি। করিগুম্বা ঐখোয়গী হান্না চাজরকপা ইরমদমদা পুথোকচবা পোৎলমশিং অদুনা অয়াম্বা চাদুনা লাক্লক্লবদি ইরমদমগী ইরৈচা লোইনমক নৎত্রবসু মীওই অয়াম্বনা মশা মউ ফনা, খিং-খিং লাউনা লৈরমগনি ঙসিসু। অদুবু ঙসিদি মীপূম খুদিংমক লোইনা লায়না অমমম্না নারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি।

য়েংবীয়ু ইরমদমদা দাইবেটিস অমদি কিদনি লায়নানা নাবগী মীশিংসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা দাইবেটিসনা নাদুনা দাইবেটিসকী হীদাক চাবগী মীশিংসি অসুক্কী মতিক মশীং ৱাংই। শেল-থুমগী ফীভম ফৎখিদ্রবা অসিগুম্বা ফীভমসিদা শেল কয়ানি ঐখোয়না হীদাকশিং লৈবদা অমদি লায়েংবদা হুন্দোক্লিবা। দাইবেটিসপু খুদম ওইনা পঞ্জবনি। অতৈ লায়না কয়া অমসু লৈরি লমদমসিদা নারিবা। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি অসুম্না নাবা-খোৎপগী পাউসি ইতা তারমদে। অদুবু ঙসিদি ইমুং খুদিংগী মীওই খরদি নাদুনা হীদাক লাংথক চাদুনা হিংলি।

অদুগা দাইবেটিসনা অমদি অতৈ লায়নানা নাবসিসু তমদা লৈবা মীওইশিংদনসু অমুক হেল্লি। মসিগী মরু ওইবা মরম খরা হায়রগদি মপান্দগী পুশিল্লকপা থাও-থুম, চিনি অমদি খূৎশেমগী অথুম-অহাওগী ওইবা পোৎলমশিং য়াম্না চাশিনবা, নুমিদাংগী চাক্লেনদা চাক য়াম্না চাশিনবা, শাজেল অমদি মেন্যুএল জোবশিং তৌদবা অসিনি। চীংদা লৈবা মীওইশিংদি অয়াম্বনা মেন্যুএল জোব তৌবা, খোঙনা চীং কাথোক কাশিন তৌবা, খোঙনা শাংনা-শাংনা চৎপনা অমদি মপান্দগী পুশিল্লকপা চীঞ্জাকশিং য়াম্না হন্থনা চাবা অমদি চীংদা পুথোকপা, ফংবা নেচরেল ওইবা এঙ্খাং-নাপি চাবনিনা মখোয় অয়াম্বনা মশা-মউ য়াংনা, ফনা লৈ।

য়েংবীয়ু তমদা লৈবা মীওইশিংগা চীংদা লৈবা মীওইশিংগগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা খরা। তমদদি ময়ূম পানখ্রবা, মচা অমা/অনী লৈখ্রবা নুপীসু, নুপাসু লোইনা মশা লূম্লে, নোইথোক্লে, পুক্কসে লোইনা কংথোক্লে মীরোনবীগুম। অদুবু ফীভম অসি চীংদা লৈবা মীওইশিংদদি য়াম্না উবা ফংদে।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি তম্পাক্তদি মচি ওইবা অফবা চীঞ্জাকসু চাবা ফংদ্রে (মপান্দা অয়াম্বা থাদোকখ্রবনিনা, শেলসু পায়নদবনা), শাজেলসু তৌদ্রে অদুগা থবক অকনবা শুবা নোম্বসু তৌদ্রে। মসিগী হৈনবী নৎত্রগা লাইফষ্টাইলসিগী মথক্তা মপান্দগী লেপ্পা লৈতনা পুশিল্লক্লিবা থাও-থুম অমদি অথুম-অহাও তকখৎতনা চাশিল্লে। মসিনদি অদুম নোয়খৎলকপা অমদি নারকপা তাবনি। মসিদা কান্নরিবসি করিনো, করিমত্তা কান্নবা ফংদে ঐখোয়দা মাঙজবা নত্তনা। লায়না কয়ানা নারক্তুনা অশি-অনা কয়া অসিগী মথক্তা লুপা লাখ-লাখনি ইরমদমদগী থাদোকখ্রিবা মপানগী পোৎলমশিং অসি পুশিল্লকপদা। সিনি মপান্দগী পুশিল্লকপা চীঞ্জাকশিংগী মখা পোন্না হিংলুবগী মহয়। লোইদ্রি সিদা।

থেঙ্খাং কয়াদা নেশনল হায়ৱে অনীসি থিংজিনখিবদা হায়নীংঙাই লৈতনা অসুক্কী মতিক ৱারি মীয়াম্না চীঞ্জাক পুশিল্লকপদা মতম চানা য়ৌরক্তবদগী অমদি মমলসি আ য়ৌনা তাঙখৎপদগী। মপান্দগী পুশিল্লকপা চীঞ্জাকশিংদা মখা পোল্লি খঙবনিনা কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা দ্রাইভরশিংদগী অরানবা মওংদা শেনয়াম খোমগৎলি, দ্রাইভরশিংদা ওৎ নৈবা অমদি হাৎপা-তুপ্পসু তৌরি লেপ্পা লৈতনা।

মরম অসিনা ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা হায়ৱেদা ওৎ নৈবগী, হকচাং ফৎতবগী, লায়না কয়ানা নারকপগী, চীঞ্জাকশিং পুশিল্লকপদা থেংনরিবা অৱাবা কয়া, হুন্দোক্লিবা শেনয়াম পূম্নমক অসিদগী নাম্থোকপগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি ইরমদমদা পুথোকচবা চীঞ্জাকশিং চাদুনা হিংবা তম্বা অসিনি। করিগুম্বা ইরমদমদা পুথোকচবা চীঞ্জাকশিং চাদুনা হিংজবা ঙল্লবদি হকচাংসু ফরনি, নেশনল হায়ৱে অনীদা চান-থক্লবা পোৎ চৈ পুশিল্লকই-পুশিল্লক্তে, য়ৌরকই-য়ৌরক্তে হায়বগী অৱাবসু অদুক লৈররোই, কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা ওৎ নৈবা অসিসু হন্থরনি অদুগা শেনয়াম হুন্দোকপসু হন্থরনি। অদুদি ঐখোয় করি তৌবা তাই।

চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনা হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি ঐখোয় লৌউ-শিংউবগী থবকসি লূম্না লৌদুনা ফার্মিং তৌবা তাই, মনা-মশিং থাবা তাই, শা-ঙা য়োকপগী ফার্ম তৌবা তাই। অসুম্না তৌরবদি শু-নোম্বগী থবক তৌরবনিনা হকচাংসু ফরনি, অফবা ঐখোয়না পুথোকচবা চীঞ্জাকসু চারনি অদুগা শেনয়াম হুন্দোকপসু লেপ্লনি অদুগা হায়ৱে থিংই-থিংদে হায়বগী থোইদোক্লা ৱানীংঙাইসু লৈররোই চাবা-থকপগী লম্‌দদি। সিগী মতাংসি লাকপদা মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম কয়াদা মনা-মশিং থারিবা, শা-ঙা য়োকপগী থবকশিং লৌখৎলিবা অমদি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনরিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলবু য়াম্না থাগৎলি। ঐখোয় খুদিংমক মখোয়গা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই চাবা-থকপদা মীপাল তাংদনা হিংনবা।

অসিগুম্বা অহোংবা অসি হেক পুরক্ত্রিবফাওবদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা মীওই কয়া লায়না কয়ানা নারকখিনি, অৱাবা অমদি অশি অনা কয়াসু থোকখিনি, শেঞ্জাও-শেঞ্জাও অরেম্বদা হুন্দোকখিগনি অমদি ইরমদমগী শেম্নীৎলোন হেন্না হেন্না ফরক্তবনা ইন্দিয়াদগী খুদিংমক নীরগা, পুশিল্লক্লগা চাগনি, হিংগনি হায়বগী ৱাখল্লোনসিনা ঐখোয় মতম চূপ্পগী মীনাই ওইনা হিংবা তাবনি। মসিমক্লি হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী পাল্লিবা পোলিটিকেল লুচিংবশিং অসিনা খল্লিবা ৱাখল্লোন অমদি থবক তৌরিবা মীনাইগুম। মসিনসু সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা ঐখোয়গী লুচিংবশিং অমদি ঐখোয়গী মীয়াম্বু অসুক্কী মতিক উশিত্তনা য়েংলিবা। ঐখোয় অসুম্না অসুম লৈখিসিরা নৎত্রগা অহোংবা অমা পুরকসিরা হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখল্লোন্দা, ৱারেপ্তা অমদি থবক্তা লৈরে। ঐহাক্কী ওইনদি অরাম্বাই তেঙ্গোলগা পূন্না চৎমিন্নদুনা অহোংবা অমা পুরক্তুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনা হিংবা অসিনা পামজৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।